# "কায়রবা ঋতুগী তান্থা"

## EPISODE-7

(Is climate change a reality or a statistical gimmick)

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) চাউবা (রিটর্যাদ কোলেজ প্রিন্সিপাল (২) মালেমঙানবা (মেটিওরোলোজিষ্ট) (৩) ইমোবা (ক্লব সেক্রেটরি)

নুপীঃ- (১) ইবেতোম্বী (চাউবগী নুপী)
(২) থাইবেম্মা (ইনভাইরোলমেন্টেলিষ্ট।

(মফম: চাউবগী য়ুম, মতম: য়াচংলকপা মতম, নোং কন্না চুবগী মখোল)

ইবেতোম্বী :- মোয়পাবুং নোংসিসু লেপ্পা লৈতরে, ঙরাংদগী ঙহাক্তা ফাওবা হাংদনা চুরবনিনা পুখ্রি-খোঙবাল ঈমায় পীক চোল্লে, তুরেলসু পাথোক্কদৌরে, লৈরক-খুল্লক পুম্নমকসু নালাদগী থুমগৎলকপা ঈশিংনা লোয়না থুল্লে, হোরেল নুমিদাংগা লেপতনা চুরবদি ঈশিং শোয়দনা চাউরনি । কমাই তৌনি ঐখোয়দি (পাখৎনা হায়বা)।

চাউবা :- (ইতন তন্না) ঈশিং চাউরগা চাউজরেদনা, করি উপাইদি লৈরি? মহৌশানা পীবা চৈথেংদগী কনানবু নান্থোকপা ঙমগনি, থোকঅ থোকঅবা থেংনবা তাবনি, করিদি উপাই লৈরি?

ইবেতোম্বী :- করিনো ঐনা শোমদনা পাখৎপনা লোইরে, য়ুমশে ঈশিং থুমজিল্লক্কদরা হায়দুনা অদুগা মোয়পাবুংনা করিমতা মোংহাদনা নিঙাই-মলাইদনা লৈথোক্লিনে।

চাউবা :- ঐবু করি তৌ হায়বনো, হন্দক্কী চহিসিদা ঈশিং চাউবগী অৱাবসে তোয়না তোয়না থেংনরে, অহুমলকপু সুরনি, ঈশিং চাউবা হেক লোয়খিবগা ইকংগী অৱাবা অমুক থেংনরনি, মসি পুম্নমকসি করিদগী থোরক্লিবনো নঙ খঙবরো?

ইবেতোম্বী :- (নোং অদুম লেপ্তুনা কন্না চুবা) করিনো অমুক তৌরকইদুনা, ঈশিং চাওগদৌরে, করি উপাই তৌহৌসিগে হায়রগা, ৱাহং ওইনা অমুক হংজিনবীরকইসিনা, নোয় ওজাগী হৌনবা ছাত্রশিংদা ৱাহং পাওহং তৌবগী হৈনবীদু ঐঙোন্দসু অমুক তৌশিনবীরকইদুবো।

চাউবা :- ৱাহং পাউহং তৌবগী ৱা নৎতেনে, মসি ঐখোয় পুম্নমক খঙদ্রবা যাদ্রবা ৱাফম অমা ওইরবনিনে। ঋতুগী খোঙচৎ কায়রক্লিবসিগী মরমদি ঐখোয় মীওইবশিংগী থবক থৌরমশিংননি।

ইবেতোম্বী :- করিনো কোলেজ প্রিন্সিপাল ওইরম্বদগী পেন্সন ফংবসু ইকুই কুইদ্রি, অহলসু পংওই ওইদ্রি, চবেং চবেং মেন মান অমা ইতা হেক তাদে, তান্ন-খোৎনবসু অমতা য়াদে, ঙাওবু ঙাওদৌরব্রা করিনো?

চাউবা :- ইবেতোম্বী নঙ মতোইনরা, নঙগীসি মী উশিৎত্রিবা হায়বদুরা, ঐবু ঙাওদৌরব্রাকাসু হায়রিনে, অচুম্বা অফবা ৱা হায়বদি তানিংদে, লৌনিংদে নোয়দি হায় নঙ ঐগী লিচৈশি উব্রা ... হুম প্রিন্সিপাল চাউবগী লিচৈ মমাঙদা ছাত্রা অমতা লমহেনবা ঙম্বাজাৎ নত্তে, নঙ খঙনিদনা লিচৈশিনা কন্থগে।

ইবেতোম্বী :- (কীনা) এ... এ ... কৈনো মোয় পাবুং মীনা সুম ফাগী তৌরগা ... ... সে অমুক্তা ঙায়বিখোসে... আ ... চা অশাবা অমতং শেমজরকউরো (কেথরগা হায়বা)

চাউবা :- উম হৌজিক্তি নচিল চুল্লকএ, ঙসাইনা অদু হায়বা য়াদরো, ঙসাইদগী চাদি থকনিংলবনি নঙগী নতৌদুদা হায়বা তন্দনা হায়দ্রবনি।

ইমোবা :- (পুমচোৎ চোৎনা চংঙকপা) ইমা ... বাবা ... তুরেল লৈরাই কাইহৌদৌরে।

ইবেতোম্বী :- (পাখৎনা) করিনো হায়রিসিবো ইমোবা, থীংবা ঙমলরোইদৌরিবরা, হৌজিকমক কাইহৌদৌরবরো?

চাউবা :- অমুক্তা তপথখো অঙাংদু চোৎলিবদু হান্না অমুক্তা তৈথোকহনখো।

ইবেতোম্বী :- সে ... সে... তাৰেলসিনা নকোক্কদু অমুক্তা তৈথোকখোসে।

ইমোবা :- ঙসাইদগী ঐখোয় লৈকায় ময়াম চঙদুনা থীংনবা হোৎনবনি, হৌজিকপুদি আই.এফ.সি.দি. গী মীওইশিংসু লাক্তুনা ময়াম পুন্না কন্না হোৎনমীন্নহৌরি।

চাউবা :- ইবেতোম্বী করি করিনো মরুওইবা পোৎলমশিংদু ঈশিং চোৎলোয়দবা মফম অৱাংবদা লোইনা অমুক্তা থাংগৎতুনা থম্লবা হোৎনসি।

ইমোবা :- চাক ঈশিংগদুসু প্রপ প্রপ থোংদোক্লবা তৌহৌশি, ঈশিং কাইরকপা তারবদি মথোং মরম অমতা খংলরোই, ঐ পাও হায়গে হায়দুনা চংলকপনি, ঐ অমুক ময়াম্না তৌরিবসি অমুক্তা য়াওরুখিগে (থুনা চৎখিবা)।

চাউবা :- ওন্থোকপনিদকো ঐগী ইচা অতোম্বসে ঙহাক্তা ফাওবা পোথাবা শংজদরে তৌরিসে, লৈকায় ক্লবকী সেক্রেটরি ওইরিবনি হায়দুনা নোং ফুং ঙানবদগী থোকখিবদুনা চাক চাবা ফাওবা হেক শংদবা হায়দু তারে।

ইবেতোম্বী :- লাকও মোয় পাবুং করি করিনো অমুক্তা লোয়শিন্নবা হোৎনরুরসি।

চাউবা :- হোয় হোয়। (নোং হেন্না কন্না চুথরকপা)

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক অঙনবা, ঈশিং কায়বগী ইরাওখোল, মীয়াম লাংবগী খোঞ্জেল)

(লাপতক্না লাউদ স্পিকর শিজিন্নদুনা লাউবগী খোঞ্জেল তাবা)

ইমোবা :- লৈকায় অসিদা লৈবিরিবা অহল-লমন, ইমা-ইবেল, ইচিল-ইনাওশিংগী মফমদা করিগুম্বা খরদং খঙহঞ্জরি মদুদি ঈশিং চাওবনা মরম ওইরগা লৈফম চাফম লৈত্রবশিংগীদমক্তা ক্লবকী মীওইশিং অমদি গর্ভনমেন্টকী মীওইশিংগা পুন্না খুৎশম্ন দুনা মীয়ামগীদমক খুদোংচানবগীদমক রিলিফ কেম্প হাংদুনা লৈজরে, মীয়াম্না রিলিফ কেম্প অসিদা লৈবীনবা থোকপীরকও... অমুক্সু হন্না হায়জরি ইচাওনা শোকহল্লবা মীয়াম পুন্নমক রিলিফ কেম্প অসিদা লৈবীরনবা খঙহঞ্জরি... ...। (অসুম অসুম লাপথোকখিবা)

ইবেতোম্বী :- মোয় পাবুং ইচানুপা অহল মালেমঙানবা, ইমৌনুপী থাইবেম্মা মখোয় অনিদু ঐখোয় স্বাইদা ঈশিং চাওবগী পাও অসিবু খঙলমলোইদরা... ঐখোয়নসু ফোন তৌদুনা তাক্তরে... মোইনসু হন্দক্তি করি তৌরবনো খঙদরে, থবক য়াম্না চীল্লবজাৎলা, ফোন ফাওবা হেক তৌরকখিদরে।

চাউবা :- মখোয়সু হৌজিক মালেমসিগী হোংলক্লিবা অইং-অশা, নোংজু-নুংশা, ঈশিং-নুংশিৎ, ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মরমদা থীজিল্লিবা নৈনরিবা অদুগা মসিদগী ঙাকথোক্লবা পান্বে কয়া থীবদা মথৌ ঙহাক্তা শংজদ্রবা মীওইনি।

ইবেতোম্বী :- অদুবুদি ইচা-ইমৌ অনিমক মীয়াম্না শকখঙনরবা সাইন্টিষ্ট ঙাক্তনি, মখোয়গীদমক মীয়াম মমাংদা চাওথোকচরিবনি ঐদি।

চাউবা :- (ফোন রিং লাকপা) হায় কনাগী ফোননোনে লাকইদুবো, ফোন অদু অমুক্তা পীরকউ।

ইবেতোম্বী :- হায়মা ঐখোয় মালেমঙানবনিনে, সে রিসিপ্ত তৌরবনি।

চাউবা :- ইবুংঙো নমাগা ঐনা হৌজিক্তা নোয়গী মরমদা ৱারী শান্নরম্মীনিনে, নোয়বু কমায় কামায় তৌরিগে নৱা নপাও তাদবসু কুইরে।

মালেমঙানবা :- বাবা হন্দকসে ঐখোয় থবক খরা চীনদনা তৌবনি, ঐখোয় অদুৱাই ঈশিং চাওরে হায়বদুবু ইমুং ঈশিং চংবরো।

চাউবা :- ঐখোয়গী য়ুম্ফমদি খরা ৱাংবনিনা ইমুংদদি চঙদে, সুমাংদি লোয়না থুমলে, নমাগা ঐগা ইমুংদগী মপানগা অমত্তা থোক্তরে, লৈকাই মীয়ামদি ননাওনুপা ইমোবাহোয়না ক্লবতা রিলিফ কেম্প হাংবদুদা লোয়না লৈনখরে, ননাওনুপাসু কেম্পতা অদুম লৈখরে।

মালেমঙানবা :- বাবা ! ইমা অমুক্তা পাইহনবীরকউ, থাইবেম্মনা ৱারী শান্নিংবামাল্লে।

চাউবা :- হোয় হোয় পায়হল্লক্কে, সে নমৌনুপীনা নঙগা ৱারী শান্ননিংবামাল্লে, সে সে ।

ইবেতোম্বী :- হল্লো... ইবেম্মা নোয়বু করিনো ইম-বাবা, ননাওনুপা সিদা লৈহৌরিগা লোয়না কাওরবরো, চেক মুক লাওদ্রিবদুবো।

থাইবেম্মা :- ইমা ঐখোয় হন্দক ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মরমদা য়াম্না চাওনা মালেমগী থাক্তা কনফরেন্স অমা পাংথোক্লবা শেম শারিয়ে অদুনা থবক খরা চীন্দুনা তৌবনি, ইমাহোয় নায়েক্তেকো। ঈশিং চাওবদুনা করম তৌরিগে।

ইবেতোম্বী :- ইমাহোয় করিসু তৌদে, অনা-অয়েক্পা অমত্তা য়াওদে, নোয়গী থবকতো মায় পাক্লবা মঙ্গল ওইনবা কন্না হোৎনৌ অদো নোয়বো নোংমা নিনিদংদি য়ুমদা থোরকউদনা ।

থাইবেম্মা :- হোয় ইমা ঐসু তামোদা য়ুমদা থোকলুসি হায়রিবনি, ঐখোয় তাঞ্জা অমা য়েংলগা থোরক্লবা তৌগে। অদুদি ইমা অমুক থমজরগে।

ইবেতোম্বী :- হোয় হোয় ফরে ফরে থম্মো থম্মো।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুংশা শাগৎলকপা মতম, মফম - দিল্লি)

থাইবেম্মা :- তামো তামো হৌগৎলো থেংলে, কৈদৌরগে অদুম তুমশিন্দুনা লৈরিদুবো, সে থেংলে হায়বা, ঙহাক লৈরদি শাগৎলক্লগনি মপানগা অমতা থোকপা ঙল্লরোই, ঙরাংসু শাবগী চাং সেলসিয়স ডিগ্রি ৪৩ য়ৌরিদুনি, ঙসিসু অদুম শাবগী চাংসি অমহা ওইগদৌবা মাল্লি। সে হৌগৎলো (মশা নোমদুনা হৌদোকপা)।

মালেমঙানবা :- ঙরাং লেবোরেটরিদা দাতা ময়াম এনালাইসিস তৌরিঙৈদা হল্লকপসু থেংঙেমখে হল্লকএ, তুম্বসু নুমিদাং পুং বারো মতুংদা তুল্লে, অদুদদি ৱামন্দুনা মীকপকা অমত্তা থোকত্রবনি। পুংবুকয়া তাখ্রগে?

থাইবেম্মা :- পুং নিপাল তাখরে, ইয়র কন্দিসনগী কা মনুংসিদা লৈবগী খঙদবগী ৱানি, মপান্দদি য়াম্না শারল্লগনি।

মালেমঙানবা :- ইস! পুংদি য়াম্না থেংখ্রবাজাৎনিনে, ঐবু ঙসিদি ছুটি লৌথোকঅসিরা, ইশাসিসু ইচোক চোকথবগুম তৌই।

থাইবেম্মা :- হায়সু হায়নি ঐখোয়সে ৱামনখরে, নোংফাদোকসু পোথাথোকসি কৈদৌগে, ঐদি ঙসি দিপার্টমেন্টতা লাকঅরোই হায়দনা মলাইদনা ঐগী থবকশিংদো মা খরা তৌবীরম্মু হায়খ্রে। তামোসু সুরজদা শিন্নখরো।

মালেমঙানবা :- উম মদুনা ফগদৌবা মাল্লে, শ্বরসিসু ইফুন ফনবদৌনসু তৌই, মেডিকেল তৌরুবনা ফগদরা খঙদে।

থাইবেম্মা :- য়েংঙুনে মালেমগী ওইনা নিউ দিল্লি, ঐখোয়গী কেপিটেল সিটি অসিদা খ্বাইদগী পোল্লুটেদ ওইরবা সিটিশিংগী মনুংদা অমা ওইরবনি, মীশিংসু মিলিয়ন কুনগী মথক্তা লৈরে, হু চেল্লবা গ্যাসশিং হৱাগাড়ী, কল-করখানা কয়াদগী লেপ্পা লৈতনা থাদোরকই, শেংদ্রবা নুংশিৎ অসি ঐখোয়না অমুক স্বর হোনজিল্লি সিদবু কদায়দগী ইশা নুংঙাইদোইনো, স্বর ফুনবু ফুনমন্দে।

মালেমঙানবা :- উম, নুংশিৎ শেংদ্রবনিনা ঐখোয় মীওইবগী পুন্সিদা লায়না কয়ামরুম অমসু থোকহল্লে, রেসপিরেটরি দিজিজ, কার্দিওভাস্কুলর দিজিজনা মরম ওইদুনা চহি খুদিংগী মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহল্লি।

থাইবেম্মা :- নুংশিৎ শেংহল্লক্তনবগী মরমসি ফোশিল ফ্যুইলশিং কয়লা, পেট্রোলিয়ম, নেচরেল গ্যাসশিং অসি কা হেন্না ঐখোয়না শিজিন্নবদগী থোকহল্লক্লিবনি হায়বসি মীপুম খুদিংনা খংনরবসু শীজিন্নবগী চাংদি অদুমক হেনগৎলকই, জীপ, কার, হৱাগাড়ীগী মশিংদি নোংমা নোংমগী অসুম অসুম হেনগৎলকই।

মালেমঙানবা :- মীওইবা ঐখোয়সে নুংঙাইবা পাম্বা, ঙহাক ঙহাক্কী ঐখোয়না পাল্লিবা পোৎশক অদুতমক ফংলগা লোইরে খনবা, তুংগীদি খন্দবা মীওইনা অয়াম্বনি।

থাইবেম্মা :- ঐখোয় মীওইবগী থবক থৌওং ময়ামসিনা গ্রীন হাউস গ্যাস এটমোস্ফিয়ারদা য়াওবগী চাং খঙহেন হেনগৎলে, গ্লোবেল ৱার্মিং থোক্তুনা মালেম অসিগী শাবগী চাং অসি খঙহেন হেনগৎলে অদুনদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপা তাবনি। অইং-অশা, নোংজু নুংশা, ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমদা চাওনা অহোংবা লাকপা তাবনি।

মালেমঙানবা :- ফরেসে তোকঅসিসে, ঐখোয়সু ঐখোয়গী অঙম্বা থাক্তা হোৎনদুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসিদগী ঙাকথোক্নবা উপাই কয়া থীরিদনা, কৈনো ঙসিসিবু ঐবু ব্রেক ফাষ্টকা অমতা পীজররোইদরা?

থাইবেম্মা :- ইহে ঐদি ইকাও হেক কাওরুরে, ঙসাইনা রেদি তৌদুনা থল্লবনে, পুরকঅগে... পুরকঅগে।

মালেমঙানবা :- (ফোন লাকপা) হায়মা ঐখোয় ইমোবনিনে... হল্লো... ইমোবা কৈদৌরগে নঙবো ... ?

ইমোবা :- তামো ! ইতৈমগা তামোগা কৈদৌঙৈ য়ুমদা লাকতোইনো?

মালেমঙানবা :- নতৈমগা ইবানি থুনা লাক্লববুদি তৌগে, নুমিৎ চপ চানা হায়বদি ঙমদরে, তাঞ্জা অমা য়েংলগা লাকঅগে।

ইমোবা :- অদো তামো নোয়না লাকপদা ঐগী লেপতোপ অফবা অমতং লৈবীরকও, ঐগী হান্নগী লেপতোপতু য়াদরে।

মালেমঙানবা :- হোয় হোয় লৈরক্কে লৈরক্কে, অদো ঈশিং চাওবদি হন্থখ্রবা নৎতরো।

ইমোবা :- হনবুদি হন্থখরে, লায়না কয়া অমমুক শন্দোক্কদরা হায়দুনা হেল্থ মেডিকেল কেম্প পাঙথোকলিয়ে।

মালেমঙানবা :- উম নোয়না তৌরিবা থবক্তু য়াম্না ফবা থবকনিকো, ইমা-বাবাদুসু নঙনা খরা য়েংশিল্লম্মুকো, ইয়াম্বসু লাক্লবা তৌরগে।

ইমোবা :- হোয় তামো থম্মগে। (থমখিবা)

থাইবেম্মা :- কনানো হৌজিক্কীদুবো? ঐখোয় ইমোবরা?

মালেমঙানবা :- উম মানি, ঐখোয়সু ইমা-বাবাদু য়েংশিল্লুদবা কুইরে।

থাইবেম্মা :- হোয় ঐদি য়ুমদা য়াম চৎনিংঙি, ঐখোয়না ইন্টরনেসনেল কনফরেন্স চৎত্রিঙৈদা য়ুমদা হান্না অমুক্তা চৎলমসি।

মালেমঙানবা :- হোয় হোয় ।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক, মফম: চাউবগী য়ুম)

ইবেতোম্বী :- (কোয়লাং লাংবা) মোয় পাবুং ... মোয় পাবুং ... কদোমদা অমুক চৎখ্রগে তৌরিসিবো কৌবসু সুংতা হেক তাদে... মোয় পাবুং ... মোয় পাবুং (কন্না কৌবা)।

চাউবা :- করি তৌরগেনে ইবেতোম্বী অদুক কন্না থৱাইলাকপীদৌনা কৌরিদুবো?

ইবেতোম্বী :- পুংসে আ য়ৌখরে ইচাগা ইমৌগা হৌজিক অহানবগী ফ্লাইটতা লাক্কদবনি হায়বাকাসি লোয়না কাওবিরবরো কৈনো।

চাউবা :- কাওদেনে ঐ করিমতা, মোয়সু অদুম ইয়ারপোর্টতা য়ৌরক্লগা য়ুম খংদবসু নৎতে, লাকচনি কৈনো।

ইবেতোম্বী :- অদু ঙহাক ওকপা চৎপিরুবনা ফরোইদরো... ইমোবা ... ইমোবা ... নঙবু হৌগৎত্রিবরনে... হৌগৎলোনে থেংলেনে, নয়াম্বা নতৌমা লাকঅনিনে (ঙাং ঙাংদনা চঙখিবা)।

চাউবা :- মচাগা মমৌগা লাকঅনি হায়বদুদা কয়াদা হরাওজরিবা, ঐসু ঙসিদি ইচা ইমৌ উবা ফংলনি খল্লুবদা পুক্নিংসে খংনৌ হেক নৌথোরকই। ইচাশিংসে চাওনবা, মী ওইনবা ৱানা ৱানা হোৎনজরক্লে, মশা মশাগী মথৌনা হেন্না লুরকপনিনা লৈমিন্নবসু ফংদরে, হয়েং শিরমদাই মতমদসু মশক মশা উনবা নংদনা ঐখোয়সে শিগদৌরিবরা খঙদ্রেদা (মতোমতা শোঞ্জবা)।

| | | |
|---|---|---|
| ইবেতোম্বী | :- | ইমোবা হৌগৎলো হায়বসে নঙবো, নয়াম্বা নতৈমা খরা ওকপা চৎলুচো হায়বনি ... সে তারবরো। |
| ইমোবা | :- | (তিংলি য়াংলিবা) অস ! ইমা কৈদৌগে ঙহাক্তা তুমখিগেবা, ঙরাং মিটিং অথেংবা ফাওবা য়াওরুবগী থেংনা তুমলবনিনা তুমশিৎ ফাদরি হায়বনে। |
| ইবেতোম্বী | :- | (শাওরি শাওরি) মপাদা হায়রুই থৌশাদে, মচানুপাদা ফংই থওই ৱাওইদে, হুম ঐনা গাড়ী থৌবা হৈজরম্মদি ঙসাইনা থৌদুনা চৎচখ্রদবনি। |
| চাউবা | :- | (নোকপা) ইবেতোম্বী কৈদৌগে নঙবো অমুক্তা তপথখো, শাওগৎখিনুনে। ঐনা ঙসাইনা কেব সার্বিসকী মীওইশিংগা পাও ফাওনদুনা লৌবা চৎহনখ্রবনিনে, ঙহাক লৈরদি য়ৌবু য়ৌরকঅনি। |
| ইবেতোম্বী | :- | অদো ঙসাইনা কোক হায়বদি কৈদৌই, ঐবু অমুক পাখৎহন্দ্রসু, ঐ চাক থোঙলুখিগে ইচা-ইমৌ পীজনবা। |
| চাউবা | :- | করি করি এঙ্গাংবু থোংবীগদৌরিনোনে নঙবো? |
| ইবেতোম্বী | :- | উশোইগা মঙ্গলগা ঊতি অমা ফজনা থোংলগে, ইকাইথবীগা থাংজিংগা শীংজু অমা শুরনি, পোরোম অমা নপ নপ লাওনা থোংলগা লোইরেদনা। |
| চাউবা | :- | নুংতিগীদি নঙবু চাক থোংবা য়াম তনবদাইনে, ঙসিদি নচা নমৌ লাক্কদৌরবনিনা তনবগা লোইনা ফরব্রো? ... এঙ্গাং অহাওবগা চাবা ফংলক্তবা কুইরবনিদা... ঙসিদি চাবা ফংদৌরে। |
| ইবেতোম্বী | :- | (শাওরপ) মোই পাবুং নহানখৈসু অহাও অহাওবাতা থোংলগা পীজরিবদুবু মোয় পাবুংগীদু ঐবু করেম্মরিবা হায়বদুরা... ঙসিনে ঐগী মচীংদু হৌরক্তুনা চাক্কা অমতা থোংদনা ফমদুনা লৈথোকচনি। |
| চাউবা | :- | লৈথোকচৌনা কৈনো, ঙহাক্তা ঙাইরে ইমৌ য়ৌরকঅনি, ইমৌনা অদুম থোংজনি, চাক ঈশিং থোংবা হৈখ্রবনিদা ঐগী ইমৌদো ... ঙসিদি ইমৌনা থোংবা ওইনা চাবা তারে। |
| ইবেতোম্বী | :- | ফৈ ফৈ চাজরো, চাজরো, থোঙহনজরো, ঐ টিলিভিজন থারগা য়েং লৈথোকউগে। |
| ইমোবা | :- | ইমা ঐগী অয়ুক্কী ব্রেক ফাষ্ট পীরো, শঙ্গোল্লা চারা অমত্তা থক্কেবা। |
| ইবেতোম্বী | :- | নঙসুনে ঙসি খোইদৌগা খোইদৌ শাওগৎপনে, নঙোন্দা ওইনা লোইনা তাইনজনি, হৌজিক্তা থেংঙেমখৈ হৌগৎলকঅগা শঙ্গোল্লা চারা থক্কেকাসু হায়রিনে, হুম আ চাকখুমদা চঙলগা নশানা হেক শেমজরুরো। |
| ইমোবা | :- | ঐখোয় ইমাগী মথোং মরম খঙদনা শাওগনবসিনা, য়ারে ঐ করিমতা থকচররোই। |

চাউবা :- (গাড়ী থৌজিল্লকপগী মখোল) ইচাগা ইমৌগদি য়ৌবু য়ৌরকএনে, ইবেতোম্বী মৈ ওক্লবা অমুক্তা তৌ।

ইবেতোম্বী :- হায় হায় ঙায়খো, ঙায়খো অদুৰাইদা অমুক্তা লৈখো মৈ অমুক্তা ওকখিগে।

ইমোবা :- সে ইমা, মৈখেৎ সিদা লৈরেসে, খবর মচেৎসিদা ওইনা হেক্তা চুরোসে।

ইবেতোম্বী :- (মৈখেৎ খেৎপা) য়ারে, য়ারে চংঙকও, চংঙকও।

থাইবেম্মা :- পাবুং-ইমা নমৌনা খুরুমজরি।

চাউবা :- য়ারে, য়ারে, হায় হায় ইমোবা স্যুইটকেস, এয়ার বেগশিংদু নতৈমাহোয়গী কাদা খরা পুশিনবীখ্রো।

ইমোবা :- হোয় পাবুং । তামো ঐনা লৈরকউ হায়বদু লৈরকপরো?

মালেমঙানবা :- লৈরকএ, লৈরকএ ইনাওগীবু করিগী লৈরকওইদৌরিবনো, এপল মেকবুক এয়ার ওইনা লৈবীরকঅবনি। সে সে সিদা লৈরে।

ইমোবা :- ফরেদা তামো, ঐনা হেক পাম্বা থোকই, মসিমা লৈবদি ঐনা তৌনিংবা থবকশিং লোয়না পাঙথোকপা য়ারনি।

ইবেতোম্বী :- ইবুংঙো সিগী লেপতোপসিদি মমলদি কয়ামুক পী?

মালেমঙানবা :- লাখ অমমখাই য়ৌফাৎতেদা ইমা, য়াম তাংবা তাংবসু লৈরিদা।

চাউবা :- লিশিং নিফু য়াঙ্খে পীবা অমা লৈরকঅগা লোইরবদুবু, অদুক তাংবদু লৈরকইদুবু, করিবু তৌনদোইনেনে মানা, রিছার্চৰার্ক তৌগদবসু লৈতে, লৈকাইগী, লৈবাক্কী, সমাজগী হোৎনরিঙৈদা মশাগীদি করিমতা খন্দ্রবনি মাদি।

থাইবেম্মা :- পাবুং, লৈরিঙৈদা খরা ফবা অমা লৈবিহৌরসি হায়দুনা লৈবিরকঅবনি অদুগা পাবুং রিৰ্ছাচ তৌদুনা সাইন্টিষ্ট ওইবা ঙাক্তনা মালেম অসি কনবা ঙমগদৌবা নত্তে, ঐখোয় ইমোবাহোয়গুম্বা সোসিয়েল এক্টিভিষ্টশিং অসিগীসু মালেম অসিগী হোংলক্লিবা মহৌশাগী ফীভমশিং অসিদগী কন্নবা হোৎনবদা চাউরবা থৌদাং লৈরিবনি।

মালেমঙানবা :- ঐখোয়না লেবোরেটরিদা চাংয়েং তৌবখক্লা য়াবা নৎতে, মালেম অসিদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক্লা হৌজিক ওইরক্লিবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসি মমুৎ তানা খঙমিন্নদুনা ঙাকথোক্লবা হোৎনমীন্নবা তাবনি।

ইবেতোম্বী :- ইবেম্মা লাকও নফি নরোলগদু হোংদোকলুরো, ইমা চাক মৈ থাগৎলল্লগে, চাক ঈশিং লোয়শিন্নবা অমুক্তা হান্না তৌরুখিসি, ৰারীদো হোরেল তপনা মেন তানা অমুক শারসি।

থাইবেম্মা :- হোয় ইমা।

-ম্যুজিক-

(মতম: নুমিদাংৱাইরম, মফম: চাউবগী য়ুম)

চাউবা :- নখোয়বু কয়াম কুইনা লৈবা য়াগদগে য়ুমদা, ইপাদি হন্দকতি খরা কুইনা লৈহন্নিংই, নোয়না য়ুমসিদা লৈরকত্রিবসি চহি অহুম মপুং পুরা ফারবনি।

ইবেতোম্বী :- ইমাসু নখোয়না মীরমদা সুম লৈবসে কয়াদি পামদ্রবনি, ননাওনুপাসিসু ময়ুম মকৈ পানবীনিংলবনি।

থাইবেম্মা :- ইমা হন্দক্তি পুংকুই কুইনা লৈথোকপা য়াগদবা মান্দে। মালেমগী ওইনা অপুনবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মতাংদা তৌগদবা কনফরেন্স অমা তামোগা ঐগনা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ত তৌদুনা য়াওরুগদবনি, মথং থাদা কানাদাদা।

চাউবা :- করম করম্বা ওর্গানাইজেসনশিংগা পুনশিল্লগা শিল্লিবা কনফরেন্সনোনে?

মালেমঙানবা :- পাবুং ! ৱাল্র্দ মেটিওরোলোজিকেল ওর্গানাইজেসন (ডব্লিউ. এম. ও.) অমদি ইউনাইটেদ নেসন্স ইনভাইরোলমেন্ট প্রোগ্রাম (ইউ. এন. ই. পি.) অনিনা পুন্না খুৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদৌরিবনি। ইন্টরগোর্ভনমেন্টেল পেনেল ওন ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মেম্বর ওইরিবা লৈবাক ১৯৪ গী মীহুৎশিং লোয়না য়াওগদৌরিবনি।

ইমোবা :- ইতৈমা ! হৌজিক মালেমসিগী হোংলক্লিবা অইং-অশা, ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মরমদা সাইন্টিষ্টশিংগী মরক্তসু মত মান্নদবা খরা লৈবরা?

থাইবেম্মা :- উম চুম্মী, ক্লাইমেৎ শাদগী অদুমক লৈরক্লবা নেচরেল প্রোসেস অমনি। মতম মতমগী মতুংইন্না মালেম অসিগী অইং-অশা, নোংজু-নুংশা, ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমদা খরা হোংদোক হোংজিনদি অদুমক লৈগনি।

মালেমঙানবা :- মালেম অসিগী শাবগী চাং অসি চহি ১৫০ রোমসিদা খঙহেন হেনগৎলকপগুম তৌরিবা অসি ঐখোয় মীওইবগী মীশিং খঙহেন হেনগৎলকপা, ফোশিন ফ্যুল শিজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলকপা, উমং-ৱামং কোকথোল্লকপা, কল করখানা মশিং য়াম্না লীংখৎলকপা, আর্বানাইজেসনগী চাং ৱাংখৎলকপা মরম ময়ামসিদগী এটমোস্ফিয়ারদা মহৌশাদগী য়াওজরম্বা গ্রীন হাউস গ্যাসকী চাং খঙহেন হেনগৎলক্তুনা, নুংশাগী মৈশা কাহেন্না চুপশিনবদগী গ্লোবেল ৱার্মিং থোল্লক্তুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসি ওইরক্লিবনি হায়বসি অয়াম্বনা য়ানরবা ৱাফমনি।

থাইবেম্মা :- গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগী মালেমগী শাবগী চাং ৱাখৎলকপা, নোংজুগী চাংদা অকায়বা থোকহনল্লক্তুনা ইকং থোল্লক্পা, ঈশিং ঈচাও থোল্লকপা, নুংশিৎ শেংহল্লক্তবনা মরম ওইরগা হকশেলদা অকায়বা অমাংবা কয়া অমা থোরক্লিবনি।

চাউবা :- ইচাশা ! ইউনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাদা লৈবা মিদ হায়বা পাৎ অদুসু ইং ২০০০দা লৈরম্বা ঈশিংগী চাং অদু ইং ২০১৫ তদি তংখায়রোমতমক ঙাইরে হায়না জর্নেল অমদা থেংনখিবগুম তৌই।

মালেমঙানবা :- অচুম্বনি পাবুং, হৌজিক ঐখোয় চহি খরগী মতুংদদি অফবা থক্লবা ঈশিং ফংদবগী অৰাবা কয়া মায়য়োক্লরক্লগদবনি। ঈশিং খুজোক অমা ফংনবা হোৎনবদা মাইল কয়া লাপনা চৎলক্লগদবনি।

ইবেতোম্বী :- খঙদ্রে, খঙদ্রে ইচাশা, ঐখোয়বুদি ঐখোয় ওইরে, তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীরোলশিং অসিনা মালেমসিদা করম্না হীংদুনা লৈহৌগদৌরিবনো?

চাউবা :- মালেমসিগী সাইন্টিষ্টশিং, গোর্ভনমেন্টকী মীওইশিং অমদি মীচম ঐখোয় পুম্ন মক্লা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মালেম অসি কনবা তাবনি, তুংগী মীরোলশিংনা নুংঙাই য়াইফনা হীংজহৌবা ঙম্নবা।

ইমোবা :- মালেম অসিদা শাবগী চাং খঙহেন হেনগৎলক্লে হায়বসিদি ঐখোয় অয়াম্বনা খঙনরবনি, মসিবু থওই ৰাওইদবা হায়বসে অচুম্বা নত্তে, ঐখোয় পুন্না অমতা ওইনা পুনশিন্দুনা হোৎনবা তাবনি, ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেংদগী ঙাকথোক্লবা।

ইবেতোম্বী :- (নোং কন্না খোঙলকপা তাবা হৌরকপা) হায় হায় ইচাশা, করিনোনে হৌজিক্তি নুংশা খংশা শারম্বদু, নোং খংতা অমুক তারক্লিবসিবো, ঈশিং চাওবা হন্থখিবতা ঙাইহরি ঐখোয়বু অমুকসু ঈশিং চাওবগী অৰাবা মায়য়োক্লগদৌরিবরা?

চাউবা :- মসিনিদনা কায়রবা ঋতুগী শক্লোন হায়বদো।

-ম্যুজিক-